কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমসুং লাইফ স্কিল (অনৌবা পুন্সি মহিং)

– ডা. সোরাম মনিকান্তা –

প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মতম অসিদা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা মীপাইবা, লৈতাদবা, তৌফম খঙদবা, থবক শূফম-নোম্ফম লৈতবা, থবক তৌগে হায়রবসু চথোক-চৎশিন্দা অথিংবা লৈবা, শেল-থুম লৈতবা, করিগুম্বা য়ুমগী তঙাইফদবা অমা লৈবা মতমদা থবক তৌনবা মী থিবা ফংদবা মরম ময়াম অসিনা নোংমগী পুন্সি মহিংদা অকায়বা কয়ামরুম ওইরকই। হিংদবদি য়াদে। চান-থক্লবা অমদি শেল-থুমগী তঙাইফদবা অদুখক্তা নত্তনা নোংমগী চঙদবা য়াদবা পোৎলম কয়া অমসু লৈরি। খুদম ওইনা য়ুম-কৈ, ফমুং-ফানুং, য়ুমগী অকোয়বগী ফীভম, ইরম-নালা, শুমাং-থেলোং, থক্লবা ঈশিং, চাকখুমগী পোৎলমশিং, ফিরোল থম্নবা উপু, ফি তুনবা মেছিন, ইলেক্ট্রিক্কী মপোৎ-মচৈ, সেনিটরিগী পোৎলমশিং, ঈশিং চিংনবা পম্প শম্না হায়রবদা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা চঙবা পোৎলম খুদিংমক অমত্তা ৱাৎপা য়াদে। ঐখোয়গা শাগোন্নদুনা চৎমিন্নবা তাই। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ওইরিবা মতৌ অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্না মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমক কনাগী মতেং লৌদনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তারকই। থবক খুদিংমক ঐখোয় ইশানা মায়পুনবা অমসুং মপূং ফানা পাঙথোকপা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌ ওইরক্লে। মসি পূম্নমক অসি তৌনবা অমসুং পাঙথোক্লবা হোৎনবা মতমদা ঐখোয়দা লৈরিবা গ্যান, লৌশিং অদুতা নত্তনা হৈশিংনা পাঙথোকপা ঙম্বা মথৌ তাই। পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা থেংনরিবা শিংনবা কয়া অসিবু মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্নবা হোৎনবদা চঙলিবা স্কিল অদুবু মতাং অসিদা লাইফ স্কিল হায়না খঙনবসু য়াই। মখা তানা লাইফ স্কিল হায়বসি করিনো অমসুং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতম অসিদা কয়া য়াম্না মরু ওইবগে হায়বদু নৈনদুনা য়েংসি।

নোংমা, এপ্রিল (২০২০) থানি। সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু), ইরোইশেম্বদা থৌরম অমা য়াওবা চৎলুই। লোকদাউনগী অকনবা মতমনি। মী য়াম্না তিনবা থৌরম নত্তে। অদুবু ভি ভি আই পি, স্কোলর অমদি ইমিনেন্ট সাইন্টিষ্ট কয়া য়াওনা পাঙথোকপা থৌরমনি। থৌরমদু য়াম্না নুংঙাইখি। একাদেমিক দিস্কসন কয়া তৌখি। মোন্দা নুংঙাইনা ভি ভি আই পিশিং অদু চৎখ্রবা মতুংদা ইথন্তা ঐহাক্কী Ciaz car অদু থৌরগা য়ুমদা হল্লক্লম্মী। শামুশঙ মপা য়ৌরমদাই লম্বোইখোংনাংখোঙ ত্রেদ সেন্টরদগী খরা হেন্দোরকপা অহাঙবা মফমনি। গাড়ী থৌনা থৌনা Steering য়াম্না হাইরকপদগী গাড়ী খাল্লগা কুমদুনা য়েংই। মনিং থংবা টায়র অমা puncture ওইরল্লে। করি তৌসিগে খল্লি। পুন্সিদা অসুম্না অমুক্তা থেংনখিদ্রি। ঙাইহাক লেপ্লগা লম্বীদা মী লাকপ্রা য়েংই। য়ুমদগী মপান থোক্তবা মতমনি। করি তৌসিগে খল্লকই। নীংশিংলকই দি সী (ইম্ফাল ৱেষ্ট) ওফিস মনীংদা ৱার্কশোপ অমা লৈ। ঐনা গাড়ী তোইনা সর্ভিসিং তৌবা মফমনি। কন্টেক্ট নম্বর য়াওরমদুনা ফোন তৌই। পায়রকই। ৱার্কশোপ্তুগী মী অমা থাবিরক্লবা ৱারী তৌই। লোকদাউন মতমনিনা অঙাং অমা ফাওবা লৈতে, পাম্বৈ লৈতে হায়রকই। ইথন্তা জগ অমদি গাড়ীগী খূৎশু খূৎলায় লৌথরগা টায়র শিন্নবা হোৎনরকই। ঙাইহাক ঙকচাননা খল্লি জগসি গাড়ীগী করম্বা মফমদা থাংগৎকনি। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা থবক অমা পাঙথোককখি। য়ুম য়ৌরকখি। ইথন্তা নুংঙাইবসু ফাওখি। খল্লকই মসিসু লাইফ স্কিল অমনি।

ইকুই কুইদ্রিবা মতমনি। ওক্টোবর থানি। মতম চাদনা নুমিৎ ৩/৪নি অকনবা নোং তাখি। ইম্ফালগী তুরেল অয়াম্বা ঈমাই চোন্না চেনখি। লৈঙাক্লা দিজাষ্টর এলার্ট লাউথোকখি। ঐখোয়গী য়ুমগী অকোয়বসু ঈশিং থুমখি। ঈরম-নালা অয়াম্বা ফুনখি। ঈশিং শুমাং য়ৌশিল্লকই। খুদক্তা গাড়ী থৌদোক্তুনা মী থিবা চৎলি। শামু মখোং, মহারানি থোং, খোংনাং কারক, কোনুং মমাংদা মী অমত্তা থিবা ফংখিদে। মহৌশাদি শামু মখোং, মহারানি থোংদা গাড়ী খাম্বা য়াদবনি। মী ৫/৬ থবক শূগদবগী য়োমশিল্লকপনি। য়ুম য়ৌরগা য়োৎপাক পুথোকই, নালা কোৎপা হৌই। য়ুমগী অকোয়বগী নালা শেংদোকই। মফম চানা ফত্তবা পৈশিল্লি। শুমাং-থেলোং শুমজিৎনা নান্না শিৎতোকই। তরু তনাল্লি। পূক্লিং ৱাখলসু পূমলং লংই। মসিনা করম্বা লাইফ স্কিল।

থৌদোক অমসু নীংশিংলকই। খরা কুইরবা মতমগী ৱানি। নিংথমথাগী মতমনি। মীঙোন্দা লিথোকপদা নুংঙাইবা ৱা নত্তে। মীনা ঐবু লান্না লৌখিগনি। অতনবা শুনীংদবা মী অমগুম শোয়দনা খনগনি। অদুবু থোকখিবা থৌদোকশিং অদু ঐঙোন্দদি অরুবা ৱাফম ঙাক্তনি। ঐহাক্কী নুপী মপামদা মমা মশা ঙমদে হায়দুনা চৎখিবনি। নুমিদাংৱাইরম ফোন তৌরকই। খরা থেংলক্কনি। ইচানুপাসু মহাক্কী থবক চৎখি। মহৌশানা পুং ৮ শ্বাইদা হল্লকই। নুমিদাং পুং ৭ তাবা ফাওবা কনামত্তা হল্লক্তে। খল্লি চাকসিবু ঐনা থোংবা তারব্রা? অঙাং ওইরিঙৈদা ইচিন ইনাওশিংগী মরক্তা ঐনা খ্বাইদগী তোল্লে। অতোন অতাঙনি হায়দুনা য়ুমগী থবক অমত্তা য়াওহল্লক্তে। চাকসু নোংমতা থোংখিদ্রি। খনখৈ খল্লগা চাকখুম চঙই। রাইস কুকর থাগৎলি। চেঙ কয়াম ওনগনি, ঈশিং কয়াম হাপকনি। ইমানা হায়খিবা ৱা নীংশিংলকই। চেঙদুগী মথক্তা খূৎকী তাং অমামখায়-অনী ফাওবা ঈশিং হাপ্পু। ঙসিদি চাংয়েং তৌরগে, গ্যাস থাগৎলি। মথংদা অমুক খল্লি করি এঙ্গাং থোংসিগে। হঙ্গাম খরা লৈবা উই। মসি ওইনা থোংলগে খন্দুনা থৌরাং তৌই। মহৌশা ইমানা হঙ্গাম থোংবদু মীৎতা উরকই। থোংগদবা পাত্রদু ঈশিং খরা হাপচিল্লগা গ্যাস মথক্তা থাংগৎলি। ঙা অকংবা খরা হাপচিল্লি, মোরোক অকংবা শিকচিল্লি, ঙারিসু ১-২ থাকই। মহিদু শারবা মতমদা হঙ্গামদু শুজিল্লি। চাক এঙ্গাংদু গ্যাস পিক্লা লৈথরগা য়াইশিল্লি। ঐগী নুপী, ইচানুপা হল্লকই। মখোয় খুদিংমক হাওই হায়দুনা চাখি। ইথন্তা নুংঙাইবা ফাওই। মসিসু তোঙানবা লাইফ স্কিল অমনি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লোইবা লৈতে। থা অমদগী অনী, অনীদগী থা ৭/৮ শুজিনখিবা খঙহৌদে। থা ১/২ ফাওবদি করিসু খন্দনা অরৈবা শেল খরনা য়ুম পুনরম্মী। থবকসু পোথারে, চহী অমা ফারে। কোভিদ-১৯ মতমনি হায়দুনা পেন্সনগী ফংগদবা শেনফমসু ফংদে। তোলোপসু ফংদে, থাগী পেন্সনগী শেনফমসু লাক্ত্রে। পোৎলূম অমমুক হাপচিল্লকই - ফাইনান্সিয়েল মেনেজমেন্ট, অনা-অয়েক, অথু-অকায়, শোকপা-পনবা থোকপদা করম তৌবা। ৱাখল মথং মথং খল্লকই। শেল কয়াম লৈরিবা। লাক্কদবনা করি করি। লোইবা নাইদে ৱাখল পরিং। মহৌশাগুম অনীংবা অপাম্বা লৈবগী মতৌ তম্বা য়াদ্রে। চঙগদবা মথৌ তাবা পোৎলমশিংগী লিষ্ট শেম্বা হৌরকই। আইটেম খুদিংগী চঙগদবা শেল পারকই। লৈরিবা শেলগা য়েংনবদা চাদিংনা হেনবদগী হন্না হন্না লৈগদবা পোৎলমশিং শেমদোক শেমজিন তৌই। অহান অকোন, চঙদবা য়াদবা তঙাইফদবা করি করিনো খন্দোক্লবা হোৎনরকই। লৈরিবা বজেটতুনা শিনবা কোন্ননবা হোৎনরকই। মসিদা অথু-অকাইগী ওইবা নামৈ শেল খরা থমদবসু য়াদে। ফল তারবা মতমদা খল্লকই মসিসু লাইফ স্কিল অমরা?

লৈকায়গী, ক্লবকী নৎত্রগা ঐবু খঙবা মীওই খরনা মরক মরক্তা কোভিদ-১৯গী মরমদা ৱা খরা ঙাঙবিয়ু হায়রকপসু য়াওই। অসিগুম্বা লাইচৎ মতম অসিদা ঐসু শরুক য়াফম থোকই খন্দুনা মীটিং কয়াদা ৱা ঙাঙলুই। মতাং অসিদা নীংশিংলকই - কম্ম্যুনিকেসন স্কিল, ৱারী শানবা, পাউ ফাওনবা হায়বসি নাকল অনীমক চপ মান্ননা শরুক য়ামিন্নগদবনি। মীওই অমনা নৎত্রগা কাঙলূপ অমনা হায়নীংলিবা, পীনিংলিবা, খঙহন্নীংলিবা ৱাফম অদু অরায়বা লোন্দা পাউ ফাওনবা তাই। হায়নীংলিবা ৱাফম অদু মচং ওইনা পোৎশক অদুতমক লৌখৎলগা মীনিট ৪৫দগী হেন্দবা ফৈ। মরমদি মতম শাংনা লৌবনা অমদি মরী লৈনদবা ৱাহৈ ৱাতা তোইনা শীজিন্নবনা তানীংবা অমসুং পূক্লিং চঙবা ৱাৎপা য়াই। ৱা ঙাঙবা মতমদা তারিবা মীওই অদুদা মায় ওনশিন্দুনা মখোয়গী মমিৎতা য়েংনবা হোৎনগনি। ঙাঙবা মতমদা বোদি লেংগ্বেজ হায়বদি মতাং চানা এক্টিং তৌবসু কান্নগনি। খোঞ্জেল অদু য়াম্না তপ্পা নৎত্রগা লাউনা ঙাঙবসু ওইরোইদবনি। তারিবা মীওইশিং অদু তানীংহনবদা নত্তনা ঙাঙলিবা ৱাফম অদু খঙহনবা অমসুং ৱাখল তাহনবা ঙমগদবনি। খঙহন্নীংলিবা ৱাফম অদু খঙলব্রা হায়না চাংয়েং তৌবা ওইনা ৱাহং অমা/অনী হংবসু য়াই। ঐখোয়গী অপাম্বদি চুন্নগী পব্লিক স্পীচ অমা পীবদু নত্তে। মথৌ তারিবদি ইফেক্টিভ কম্ম্যুনিকেসন অদুনি।

লৈঙাক য়াওবা মিনিষ্টর অমনা নোংমা অসুম্না হায়খি - ঐখোয়না লৌরিবা ৱারেপ অসি অরোইবা ফিরেপনি। কমপ্রোমাইজ নৎত্রগা নেগোসিএসনগী ৱাফম লৈতে। অদুবু পার্টি লিদরনা য়ারক্ত্রে হায়দুনা হায়খিবা ৱাদু ঙাকপা ঙমদবদগী জোকর তাদুনা লৈবাক মীয়ামগী নোক্লফম ওইখিবা থৌদৌ কয়া লৈখ্রে। মসিদা দিসিজন মেকিং স্কিল ৱাৎপগী মমি তাই। অসিগুম্বা তানফম অসিদদি দিসিজন করম্না লৌগদগে, করম্বা মতমদা লৌগদগে, অপূনবগী (কলেক্টিভ) ওইবা দিসিজন লৌবনা ফগদ্রা হায়না মুন্না য়েংবা অমা চঙই। হায়নবা লৈ - a hasty decision is as bad as a bad decision । থৌরম অমদা অসুম্না হায়খিবসু লৈ - এম এল এ খরদি টর্ম ৩-৪রক লেপ্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবসু মখোয়গী পোলিটিক্সকী পুন্সিদা মিনিষ্টর ওইখিদবা কয়া লৈ। অদুবু ঐদি ভোট কাবা খুদিং মিনিষ্টর ওইদবা য়াওদে। অশেংবদি টর্ম শুনা মিনিষ্টর ওইখিবদি নত্তে। মরক্তা মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকখিবা ঙাক্তনি। মসিনা তাকপদি ‘প্রোব্লেম সোলভিং স্কিল’ ৱাৎলি হায়বনি। প্রোব্লেম অমা নৎত্রগা ইস্যু অমা লোইশিন্নবা হোৎনবদা ইশাগী নৎত্রগা ইমুং-মনুংগী ওইজবনা মাঙ থারগা ইস্যু অদু সেট্টল তৌবগী মহুত্তা মীপূম খুদিংমক্কী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা সোল্ভ তৌগদবনি। অসুম্না তৌদবা অসিনা মতুং তারকপদা য়েক্লবা মশীং হেনগৎপদা নত্তনা তৌরুবা খুদিং মায় পাক্তবা হায়বদু ওইরকই। অসিদসু নত্তনা ক্রিএটিভ থিঙ্কিং অমসুং ক্রিটিকেল থিঙ্কিং স্কিল ৱাৎপগী চাউরবা মমি অমসু উবা ফংই। লৈরিবা ইস্যু অদুবু এনালিসিস তৌবা ৱাৎপা অমদি অনৌবা আইদিয়া পুথোকপা ঙমদবা হায়বসি ক্রিএটিভ এন্দ ক্রিটিকেল থিঙ্কিং স্কিল ৱাৎপদা নত্তনা লিদরসিপ ক্বালিটি চেনদে তাকপনি। অসিগুম্বা মীওই কয়া অসিনা লৈঙাকপা তারবদি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা লাইবক থীবনি।

মথক্তা পঙ্খিবা ৱাফম খরা অসিদি লাইফ স্কিল হায়বসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙননবা অমদি নৈনবা য়ানবা খুদম চাংদম খরা থমজবগী ৱানি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী চিরবা মতম অসিদা ৱাহন্থোক লৈনা, মহাও লৈনা, মতিং লৈবা পুন্সি অমা লেন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী তঙাইফদবা তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমা ওইরক্লে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা ঐখোয় ইশাবু অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংবু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পুন্সি মরেল অমা লেনবা য়ানবা সর্ভাইভেল স্কিল অমা ওইরিবা ফেস মাস্ক মরম চানা, মতাং চানা, কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবা, মীয়াম পুন্দবা, তরু-তনান্না লৈবা অমদি চাবা থকপা মমাঙ অমসুং মতুংদা খূৎ-শা হামদোকপা, হাকথি খনবা, লোক খুবা নৎত্রগা অমোৎ-অকাই পায়রুবা খুদিং সাপোন্না খূৎ-শা শেংনা হামদোকপা কাউরোইদবনি। মসিসু কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা তঙাইফদবা সর্ভাইভেল স্কিল অমনি। অসুম্না তৌরবদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মপূং ফানা মায়োক্লবা ঙমগনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

‘চাওখৎ থৌরাং লৌখৎখিগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী): মণিপুর মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎখিগনি হায়না ৬৯ শুবা বটালিয়ন সিআরপিএফকী সেকেন্দ ইন কমান্দ উজাল দত্তনা ফোংদোকখ্রে।

সিআরপিএফকী আইজিপি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা ৬৯ শুবা বটালিয়ন সিআরপিএফনা মন্ত্রিপুখ্রিগী কোম্বা অহল্লুপতা লৈবা য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্তরগী হোকিগ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

বাটালিয়ন অসিগী ওফিসার অমদি জৱান কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উজাল দত্তনা খুঞ্জাশিংদা সোলর লেম্প য়েন্থোকখি। থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা উজাল দত্তনা হায়খি মদুদি মথৌ তারকপা মতমদা সিআরপিএফনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি। হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু অসিগুম্বা মখলগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখিগনি।

এ এম এম দি সীনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) হেদক্বার্টরগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায় সলাম মনুংদগী এম দি রিসৱান খাননা লৈখিদবদা এ এম এম দি সীনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহাক ইরমদম অসিগী অচৌবা ইস্যু কয়াদা ইচঙ থৌনা শরুক্ক য়ারম্বগা লোয়ননা ফুরুপ-কাঙলুপকী খেন্নবা থমদনা খুন্নাই অসিগী য়াইফন্নবা মীয়ামগী থৌগল তৌরমখিবনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না এ এম এম দি সী হেদক্বার্টরগী স্পোক্সপর্সন এফ এম নাসির অহমদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF
SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 252/SDC/M dt 20/10/2020

1. Kumam (o) Sancharani Devi W/o (L) K. Sushil Singh of Moirang Kumam Leikai.
2. Kumam Maya Devi W/o K. Gyaneshwor Singh of -do-
3. Kumam Geikson Singh S/o K. -do- of -do-
4. Kumam Rocky Singh S/o K. Sushil Singh of -do-
5. Kumam Ronak Singh S/o (L) K. Sushil Singh of -do-
6. K. Gwendolind Singh S/o K. Gyaneshwor Singh of -do-
7. K. Linthoinganba Singh S/o K. -do- of -do-
8. K. Gourav Singh S/o -od- of -do-

-Vrs-

1. Late Kumam Sushil Singh S/o (L) K. Tombi Singh of Moirang Kumam Leikai.
2. Pukhram Shubon Singh of -do-
3. Shyamshunder Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 20th November, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং. ৫২- মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং. ১২০০ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২১১ এরিয়া ৩.২৭ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। কো-পাট্টাদার নং ২ অমসুং নং ৩গী শরুক অপূনবা অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারিশিং অসিগী মিংদা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-B/6550/21 **Sd/- SDC, Moirang**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা **ABDUL HAK**, পাইলসকী
কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অৱাবা খাঙলকখি। খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রী-ব্রী চৎপা, অমাংথোঙদা চেখাইরগা থুপ্পা-শাবা, শৌজ নাম্থুরকপা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবনি- পূম্নমক অসি ঙসিদি ওজা অব্দুল হককী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগা তানজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলস নাবগী অৱাবা পূম্নমক অদু কোক্লে, মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পূন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

Contact No. : 8794429681, 8014623756

থাগৎচরিবা : **Kh. Ramananda Singh**
Hiyanglam Awang Leikai

HL-P/6457/21

ꯁ꯭ꯔꯤ ꯍꯔꯤ / শ্রী হরি শরনম ঃ

পুর্বাশ্রমদা ঐখোয়বু নাওয়োক নাওকোনবীরম্বা **শ্রীলাইশ্রম ঁগুলামজাৎ সিংহ**-না ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ মপাং ঐখোয় খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১১/১১/২০২০ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ২৬নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা চমপাকামালা দাশ নাম ফংদুনা ঈশ্বরগী খূয়াখাদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৬/১১/২০২০ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১/২নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ২৪/১১/২০২০ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী চরন্দা ঙমজবা বস্তু, হে-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মন বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেন, মরুপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অরানবা খিবিক ঙাকপীগনি।

সেবা ফংজরিবশিং :

১। লাইশ্রম (ওংবী) সোরোজিনি দেবী (সহধর্ম্মিনী)
২। লাইশ্রম সারজু সিংহ (মচানুপা)
৩। লাইশ্রম অরুন সিংহ (মচানুপা)
৪। লাইশ্রম অরজু সিংহ (মচানুপা)

মতম : অয়ুক পুং ১১.০০ গী মমাংদা ভেৎ কৎচরগা শ্রাদ্ধ লোইশিঞ্জগনি।

HL-P/8068/21 **খা-শঞ্জেনবম মখা লৈকাই।**

IN THE COURT OF
SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 284/SDC/M dt 20/11/2020

1. Moirangthem Ongbi Gomti Devi W/o (L) M. Tomba Singh of Ngangkha Lawai.
2. Moirangthem Sharatkumar Singh S/o (L) M. Tomba Singh of Ngangkha Lawai.

-Vrs-

(L) M. Tomba Singh S/o M. Chaobhan Singh of Ngangkha Lawai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 20th November, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং. ৫১- ঙাঙ্খা লৱাইদা লৈবা পাট্টা নং. ২৩৯/৩৩০২ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২০৯৪/৮৬২৫ এরিয়া ০.৩১ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং লোয়নবী অমদি মচানা হায়রিবা ইংখোল অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-B/6550/21 **Sd/- SDC, Moirang**

ꯊꯋꯥꯏ ꯀꯟꯁꯜꯇꯦꯟꯁꯤ
THAWAI CONSULTANCY

JOB VACANCY

SL.	POST	Nos.	GENDER	QUALIFICATION	SALARY
1	Sales Executives	15	M/F	X & Above	Negotiable
2	Sales officer	4	M/F	XII & Above	Negotiable
3	Sales & Marketting Manager	2	M/F	Graduate and equivalent	Negotiable

- ★ Walk in interview - 22/11/2020 to 02/12/2020
- ★ Interview timing - 11:00 am to 03:30 pm
- ★ Office Address - Moirangkampu Sajeb Mayai Leikai, Imphal East - 795005
- ★ Contact - 6909203141 / 7005884082

HL-B/6548/21-25 Sd / - CEO

ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯊꯤꯔꯤ / মীওই খরা পামজে

Hotel গী মরমদা খঙ-হৈরবা মীওই খরা পামজে।

Manager - 1
Cook - 1
Waiter - 2

পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

Contact Nos. : 9862669352
8794411835

HL-P/8061/20&21

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ **খোঙ হাম্বা খূদিংগী তাঙমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী শৌজ নাম্থুরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্লগুম্না ঈ কাপথোরকপা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা অমাংথোঙদা শাগৎলকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী তাঙমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী শৌজ নাম্থুরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা নাম্থুরকপা শৌজ অদু মশানা অমুক হনগৎখিবা, অহানবা শৌজ নাম্থুরক্ত্রিঙৈগী মমাংদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা অমদি অমাংথোঙ ময়াদা উরিং মচামুক চাওবা অমসু পোমথোরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক নুংঙাইতবা অদুগী মতুংদা খঙহৌদনা তাঙমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী শৌজ নাম্থুরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থুরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা তারগসু অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্লগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফরগা মরক-মরক্তা অমাংথোঙদগী ঈ কাপথোকপা হৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা শাগৎলকপা কুইনা ফল্লুবা তারগদি হকচাং শোন্থবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, বেক বোনদা চক্-চক্ থিল্লগা চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6537/21 *থাগৎচরিবা :* **P. Chaoba Meitei,** Khaidem

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোরগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীরিবা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎ থংবদা ৬ এম এম চাউবা নুঙ অমা লৈরম্বা অদু তাহনবীবগীদমক ইয়াম্ববু হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

HL-P/8067/21 Sd/- **T. Boinao,** Naharup Makhapat

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/7946/29/10-27/11

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল পাবা, খূৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ADMISSION OPEN ꯑꯣꯄꯟ

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- ➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- ➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6513/7/11-5/12 (alt)

SERENE
EDUCATIONAL FOUNDATION
NAGAMAPAL SORAM LEIRAK, IMPHAL
ꯁꯦꯔꯤꯟ
Estd. 2011

ADMISSION OPEN FOR PREPARATION OF 2021 BOARD EXAM
X BOSEM | X CBSE | XI SCIENCE | XII SCIENCE

Classes starting on 26th of November, 2020

Class Timing: 3:30 pm to 7:00 pm

OUR SUPER ACHIEVERS OF 2020

TANOSHI KOIJAM	IRUNGBAM GUNATHOIBA	CHINGSHUBAM IRISH	OLIVIA KONSAM	CHONGTHAM LANCEIMA	KSHETRIMAYUM RAHA
Maths-98, H.Nd.-96, Sc-83, S.Sc-84, MIL-85, Eng-84	Maths-98, H. Maths-94, Science-85, English-80	Maths-88, H. Maths-93, MIL-82	MIL-91, Social Science-95, English-87	MIL-93, Social Science-95, English-85, IT-83	MIL-84, Social Science-89, English-81, Science-85

- Intake Capacity 15 Students Per Class
- Hostel & Transportation facilities available.

Contact us at: 8837444089

Check our previous results
Serene Educational Foundation

N.B.: FOUNDATION COURSE FOR IX & X (2021-22 BATCH) CLASS STARTS ON 2ND DECEMBER, 2020

HL-P/8060/20/11-4/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।